# “টেররিষ্টতি টেররিষ্টনি থেংনফম থোকই”

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি
উশম ধরমেন্দ্র



মীওইবা ঐখোয়সি তংদু লৈতানা হিংবা পাম্বনা অয়াম্বনি। কনাগুম্বা খরদি হিংনরিবা মীওইবগী পূন্সিদা য়ৈখাই থিনগাইবা, অকি-অখং পোকহল্লগা নুংঙাইজবসু লৈরি। মীতৈ ঐখোয়সিসু মীনুংশি চাউবা মীওই কাঙলুপ অমনি, তংদু লৈতানা লৈজনীংবা। অদুননি মীওই কাঙলুপ কনাগী অৱাবা উরুবদা ইশাদা থোক্লবগুম ঐগী ফূরুপ্তা থোক্লবগুম ৱাজরিবসি। হন্দক্কী পাকিস্তানদা বেজ তৌবা তমথীরবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশন লাস্কর-ঈ-টাইবা, কাশ্মীরবু ইন্দিয়াদগী নমদুনা মুনগনি হায়দুনা পান্দম থল্লিবসিনা ইন্দিয়াগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী পহলগামদা লম য়েংবা/কোয়বা চৎচবা মপান লমগী মীওই অনী য়াওনা পূন্না মীওই ২৬ তমথীনা হাৎপীখিবদা ঐখোয়সু মীহাৎতুবু কন্না কন্দেম তৌখি। মালেমদগী টেররিষ্ট মরূ ফংনা মূথৎকদবনি হায়বগী খোল্লাওদা শরুক য়াখি। অসিগুম্বা থৌওংসি থেঙ্খাং কয়ারক্তা ইন্দিয়াদা থোকখ্রে। মদুগুম্বা ময়ামদুগী মরক্তা খ্বাইদগী তমথীবা অমা ওইখিবনি কুমজা ২০০৮গী মুম্বাই টেরর এটেকতুসু। নুংঙাইতে মসিগুম্বা তমথীবা থৌদোকসি তংদু লৈতানা হিংজনীংবা মীওই কনানসু থোকহন্নীংদে। মীচম মীয়ামদা তানরগা টেররিষ্টশিংদুনা ফংলিবসিবু করিনো। মসিনি মীচম মীয়াম্না তত্তনা হংলিবা ৱাহংসি।

লাস্কর-ঈ-টাইবনা থোকহনখিবা অনন্তনাগকী পহলগামগী টেররিষ্টকী থৌদোক অসিনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মৈ হৌনা মমিৎ ঈ কানা শাউখ্রে। হিন্দিদা সংস্কৃট লোল অমা/অনী থেৎলগা ৱা ঙাঙজবা প্রাইম মিনিষ্টর ইংরাজি লোলদা শাউনা ঙাঙখ্রে। ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংসু লোইনা শাউরে। হৌজিক য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পাকিস্তানগা মরী পূন্নমক তৎনরে হায়বা য়ারে। বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্লমদাইদা অনী থোক্না খায়দোকপীরল্লবা লৈবাক অনীসিগী য়েংথীনবা মতমদুদগী ঙসি ফাওবা অদুমক চত্থরি। চত্থদুনসু লৈখিগনি। পাকিস্তানি অমসুং হিন্দুস্থানি নহাশিংগী মাইন্দদা লৈবাক অনীসিগী য়েংথীনবসি লু-তোংদা চুশিন্দুনা লৈখ্রবনি। পাকিস্তানগী জষ্টিফিকেশনদা অদুঙৈ পার্টিশন মতমদা মহারাজ হরিসিংহনা কাশ্মীরবু ইন্দিয়াদা পুনখিবদু মীয়ামগী অয়াবা য়াওখিদে। কাশ্মীরদি পাকিস্তানগী লেঙদ্রবা শরুক অমনি। ফিল্মদা ফাওবা উরিবসিনি পাকিস্তানবু ঙল্লবদি ফিল্মদু ইন্দিয়াদা হিট ওইরে। চপ মান্নবা মওংদনি পাকিস্তানদা থোক্লিবসিসু। মসিনা ৱাফম অমা ওইখ্রগা পহলগামগী থৌদোক্কী পাউ ফংবগা মদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মফমদুদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফোরেন টুরগী মতম তেনশিনখি।

লাস্কর-ঈ-টাইবগী টেররিষ্টশিং অদুনা মীচম লমকোয়বশিং অদু হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা করি ফূরুপনো হংলগা হিন্দুনি হায়বশিং নুপীখে খন্দোক্লগা নুপাশিং হাৎখিবগী থৌদৌনি। নুংঙাইতে মদুগুম্বা থৌদোক্তু। মতাংসিদা লাকচনীংলিবদি পাকিস্তানদগী ঙমখে লান্না চঙশিল্লকপা টেররিষ্টশিংনা ইন্দিয়াদা টেরর এটেক চত্থবগুম ম্যান্মারদগী ঙমখে লান্না কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা টেরর এটেক কয়া চত্থরি হায়বসিনি। কুকি টেররিষ্টশিংনা চত্থরকখিবা টেরর এটেকতা থা নিপালখক্তা ঙাইরিবা অঙাং য়াওনা মরাল লৈজদবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই কয়া তমথীনা হাৎপীখ্রবনি। অসিগুল্লবা মণিপুরগী মীতৈ মীচম ময়াম অমা তমথীনা মীনুংশি য়াওদনা হাৎপীখিবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরগী মীওইবগী মীনুংশি অমসুং লৈবাক অমগী মপী-মপা অমা ওইবগী তৌফম থোকপা মথৌদু কদাইদা লৈখিবগে অমসুং হৌজিক্লা মণিপুরগী তংদু লৈতাদবা অসিদা করম্বা মীৎয়েংনা য়েংবীরিবগে হায়বসিনি। কুকি নুপী অনীগী নেকেদ পেরেদকা মরী লৈননা শুপ্নতংগী মিৎকুপ খরদং ৱা ঙাঙখিবা নত্তনা মপূং ফানা মণিপুরগী ঈরাংসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙাঙখিদ্রবনি অমসুং মণিপুরদা লাকখিদ্রিবনি। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহসু অদুমঙাই ঈরাং হৌগৎলকপগী থা অমরোমগী ময়া ফানীংচিৎতা লাক্লল্লগা লাকখিদ্রবনি। লোক সভাগী ইলেক্সন ময়াদা লাক্লম্বদুনা ৱাফম অমনি। ঐখোয়গী কন্সটিট্যুশনদা য়াওদবা থর্দ ক্লাস সিটিজেনদা পুরাপুরি হন্থনা য়েংবীবগী মতৌনি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েংসি।

লোইরে হৌজিক্তি মণিপুর পুমলোই লোইরে। ষণসু লোইরে, লৌসু লোইরে হায়দুনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী মীৎয়েংদা উরিবসি মণিপুরদা লৈরিবা ফূরুপ-কাঙলূপশিং অসি অমগা অমগা পংহাৎতা হাৎনবা কাঙলূপশিংনি সিনি। অমুকসু মসিমসু ঐখোয়না ইঙান ঙান্না উবা ঙম্মী মদুদি মণিপুরদা হৌরিবা ইন্দিয়াদগী নীংতম্বগী লালহৌ অসি ইরায় লায়না লোইশিনগে হায়রবদি মখোয়গী মরক্তা অমদা মতেং পাংশিল্লগা মখোয় মশেল হাৎনরগা মথন্তা লোইশিঞ্জখিগনি হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীৎয়েং অদু/অদু নত্তনবু করিগী মালেমগী সুপর পৱারগী লমজেলদা য়াওরিবা, মতম অমদা হেক্তা পাকিস্তানদা খূৎ থাবগী শক্তি লৈরিবা ইন্দিয়ানা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু খরসিনা তৌবা টেরর এটেকশিংবু খঙশিন-উশিন্নদনা লৈগদৌরিবনো। মণিপুরদা কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌনীংবদা তৌরি, মখোয়গী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশন কয়া শেমগৎতুনা মীতৈগী মায়োক্তা লানশিংননবা মথৌ শঙলি। য়ারিবমখৈ মণিপুরদা ঈরাং থোকহল্লগা মখোয়গী তাল্লিবা দিমান্দ ফংনবা হোৎনগনি। মসিনি কুকি টেররিষ্টশিংগী ৱাখলসে।

কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানসিনা মরম ওইদুনা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবশিং মশাগী লৌরি য়ুম্ফমদা লৈঙাক্না চঙহনবা ঙমদ্রি। চহীদি অনী শুরে লাঞ্জেন্নরক্লবসি। অওনবা অহোংবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলকপা করিসু উদে। ষ্টেট লৈঙাক লৈরিঙৈদসু তৌখিদে, প্রসিদেন্টস রুল মতমসিদসু তৌথোরক্তে। মীতৈগী লৈশেম নুংশেমলোন্দগী শাগোন্নরক্লবা শেংলবা লাইফমলেনশিং খুদম ওইনা ইবুধৌ থাংজিং, ইবুধৌ কৌব্রুগী শেংলবা খুভমশিংদা মীতৈশিংনা চঙদুনা খুরুমজবা লাইশোন থৌরম পাঙথোকচবা ঙসিসু ঙমদ্রি। ঙরাং নহান্তা চঙলকপা কুকিশিংনা মখোয়গী মফমনি হায়দুনা মীতৈশিং চঙহন্দ্রি। ফ্রীদম ওফ রিলিজনবু কুকিশিংনা শীংনরি। মসিদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তূমিন্না অদুম য়েংদুনা লৈরি। মীতৈগী শেংলবা লাইফমলেনশিংবু ঙরাংতা চঙশিল্লকপা মখোয়না খৃষ্টিয়ানগী ক্রোস হেক য়ুংশিনবা মসিবু হৌনবা থবক্লো। মণিপুরগী কুকিশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা মীতৈশিং চঙবা য়ারোই, চঙলবদি হাৎকনি হায়দুনা ফোঙনা শীংনরিবা মখোয়না দোমিনেট তৌবা মফমশিং মীতৈশিংগী মঙফম ওইরিবা পূন্নমকসিদবু মণিপুরসি করম্বা ফীভমদা লৈরি হায়গদৌরিবনো। পুমলোই লোইরে হায়বা নত্তনা।

লোইশিল্লকপদা, টেররিষ্টশিংগী তমথীরবা এটেকশিংনা ওইহল্লক্লিবসি মরাল লৈজদবা মীচম মীয়াম্বু মীনুংশি য়াওদনা হাৎপা অমসুং মদুগী মীকপ মীরাওখোলতনা পুমনিল নিলহনবা অমসুং ইমুং-মনুংগী নক্লবা মরী মতাশিংনা ফাওরিবা শেৎন-খাইনবগী মৈচাক্তো করিসু থোক্লদবা ঐখোয়দসু ফাওহনবা মসিনি। পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশনশিং থেংনবগুম ম্যান্মারদগী মণিপুর তম্না চঙশিল্লক্তুনা লমদমসিদা টেরর এটেক চত্থরিবা মীতৈ মীয়ামবু তমথীনা হাৎলিবা কুকি টেররিষ্টশিং অসিবুসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্না থেংনফম থোকই। খঙশিন উশিন্নদনা লৈফম থোক্তে। টেররিষ্টতি টেররিষ্টনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# “পুনববুদি পুল্লিপোৎনি, চীন ৱারকপা ঙদবনি”

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



পুৱারী হায়বসি হৌখিবা, ওইরিবা, লাক্কদবা হায়বা ৱাফম অহুম অসিগী পরিং অমনি। মসিদা লৌথোকপা, হাপচিনবা তৌদুনা খুন্নাই কৌবা মশক অমা শেম্মী। মসিবু সিষ্টম হায়নরি। অফবা খুন্নাই হায়বসি অফবা সিষ্টমদুগী পোথোক্নি। তোঙান তোঙানবা সলাই ৭না মাগী-মাগী পাঙ্গল চাংয়েংনরম্বদগী মতমদুগী ইপা-ইপুনা মপাঙ্গল কনবা মথৌ তারক্লবদা মীতৈ কৌবা ফূরুপ অমখক্তা পুনশিনখি। মসিদগী চীংদা তাংলিবা মী অমদি তমদা তারিবা মী পুনশিন্দুনা লোইলম লৈঙাক্না য়াৎলম্বা লমখৈগী অপূনবা মশকপু ‘মণিপুর’ হায়না ওইখি। মসিদি মতম মতমদুগী অপুনবা কৌবা ফল অসি তানবা থোনখিবা মিংথোলনি। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ ফংলিবা মালেম কৌবা য়ূম অসিদা মীওইবা কৌবা মপা-মপুনা য়োংদগী ওইরকপনি লৌনরিবা কাঙলূপ অসি মাগী-মাগী হিংবগী খুদোংচাবা য়েংদুনা মফম অমদগী অমদা লাক্লখি। মমৈদা মাগী-মাগী মফম ওইনখিবনি। পোক্লফম মমা লৈবাক হায়না অচেৎপা য়ুম্ফম ওনখিবগী ৱানি। অকোন-অহানগী মতুংইন্না মাগী মশক মমিং খায়দোকই। য়েলহৌমী নৎত্রগা রিফ্যুজি (শৈদাংলবা) হায়বসি অকোন-অহান্না লেপচবনি। মী মখল অনীসিগী রাইটতি মান্নবা নত্তে। মান্নে হায়রকপা অদুদগী লান (খৎন-চৈনবসি) থোক্লকই।

অপুনবনা কল্লি হায়বসি লাই হাক্তক্তগী খঙনরবা ৱাফম্নি। করম্না পুনবা য়াগদগে হায়বদুদি নুংশিনবা কৌবা খূৎলায় অসি শীজিন্নবা তাই। করম্না নুংশিনগনি হায়বসিদি থাজনবা অমদি কখোক্লবা হায়বা ৱাফম অনীসিনা শেমগৎলকই। থাজনবা মাঙলকপদা মীপাইবা কৌবা লায়না অসি শাফোঙলকই। মীপাল তাংনবা হোৎনরকই। মীকিথি ওইরকই। লম্বী উরক্তে। খন্থবা ঙম্নরক্তে। অনীং-অনীংবা পংঙাঙদা ঙাঙনরকই। নুংশিনবা হায়বদো ময়াক হন্থখি। মচোই-মচোইবা ওইনা উরকই। মসিদগী পুল্লম্বদু কায়থরকই। ইপা-ইপুনা মমাঙদা শেমগৎলম্বা অপূনবগী লিক্লম অদু ঙসিগী মীয়াম্না থুগায়বা মাল্লকই। হয়েংগী শক্তম্না পুমতোই তোইহৌগদবা মাল্লকই। মানবগী ৱানি, পান্দমদি মান্নরি। মসি অপুনবদো মাঙদ্রি হায়না লৌবা তাই।

ঐখোয়গী মীয়ামসিনা হৌজিক খ্বাইদগী শাথীনা নারিবা লায়নাদি চীন ৱারকপা ঙমদবা কৌবা লায়না অসিনি। ঙাঙবা অমদি চাবা হায়বসি চীন্দা তৌবা থবক অমনি। চীনদি মীনা ৱারকপা য়াবা নত্তে। ইশা-ইশানা ৱারকচগদবনি। য়াম্না তাবদগী য়াম্না ঙাঙবনা হৈনবা হেল্লি। অফবা চীঞ্জাক্তগী নুংঙাইবা চীঞ্জাক্না চাবা হেল্লি। শূবা হৈবদগী পীবা হেনবনা ইনাকখুনবা হেল্লি। ইকায়বা খঙবদগী ইকায়বা খঙদবনা শক ফজবা হেল্লি। ভাইরেল শেম্বনা ফদিগোম পাম্বী অমা হৌহনবদগী লায়বা হেল্লি। থবক শূবদা নুপী-নুপা খায়রিবসি অতনবগী তীলনা চিক্লিবনি খন্নদে। অতনবা হায়বসিমক লায়রবগী হৌরকফমনি হায়বসি ওজাশিংনা মরূ চংনা মহৈরোয়শিংদা তাকপীবা তৌদ্রি। মীওইবসি লায়রনা পোক্লকপদি লাইবক্কীনি, লায়রনা শিবদি তনবগীনি। মমা -মপানা তম্বীগদবা লাইশুগী শরুক ফুঙ্গা নাইখিদ্রবা ইমুংশিংদগী মাঙখি। চাওখৎনবা পুথোরকখিবা মোবাইল ফোন লাকখিবদগী ইমুং-মনুং লৈত-লায়র নোংমত্তা হংনখিদ্রে। মেসেজদা দিমান্দ ইরগা শেল লৌথোকপা য়াই খঙবদগী মমা-মপাগী শেঙ্গাওদা করি ওইরি মচাশিংনা খঙখিদ্রে। মমা-মপানা মচাশিংগী মপান তাংবগী য়ুগতো ওল্ড এজ হোমনা মহুৎ শিনখি।

ঐখোয়গী খুন্নাই কৌবা হি অসি মচি-মচি য়ুথরক্লিবনি। অয়ুবা অসি মেন্নবা ৱাখল পোক্লদ্রি। ইরোইবা হৈরিসিবু খনবগী মওংদা পাখৎলুবা তৌদনা হি অসিদা তোংলি। হৌজিক্তি হিসি লুপথরক্লে। পাখৎপা তৌদনা চিশিল্লক্লিবা ঈশিংসে খুজোক্না ওইরবসু শিত্তোকখিনবা খনবা তাবনি। ঈশিং থুমজিল্লক্লিবা হিনুংদা য়েংথবা তৌদনা কনা অমনা জগোয় শারি। কনা অমনা ভাইরেল চৎহন্নবা স্মার্ট ফোননা ভিদিও নল্লি। লিংজেল মান্নরবদি হুরান লান্নাদা চঙশিন্নরক্লিবা অমোৎপা, শীজিন্নবা য়ারোইদবা ঐখোয়গী খোঙয়াগী উফুল্লক্তা লৈরিবা ঈশিংসি কংনা শিত্তোকখিবা লুবা নত্তে। ইরাক্লগনি খল্লিবা মীনা ইরায় লায়না ইরাক্লরোই। ইরাক্লরোই খল্লিবা মীশিংনা ইরাক্লখিবা খঙহৌরোই। নেচরেল কেলামিটিনা পীবা অৱা চৈথেংদগী আর্টিফিসিএল কেলামিটিনা পীবা অৱা চৈথেংনা মরাং কায়বা হেল্লিবনি।

সলাই ৭ পুন্দ্রিঙৈদা য়ূমথোঙ খুদিং শাফি-লানফি থম্নরম্মী তাকপী। চীং তম পুল্লবা মতুংদা চীংনা কোয়না পনশাবা চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা হায়বা ৱাহৈসি চিনবুং ৱাহৈ ওইনা থোরকপদগী য়ূমথোঙ খুদিংগী লৈরম্বা শাফি-লানফি মাঙখরে। ঈ-উবদা মশোং ফন্না থৌনা হাপ্লম্বা খুন্নাই ঈ উবদা তু চুংনখ্রে। মচা-মশুনা খুজিন্থাং পায়বফাওবা মখূৎ শোক্কনি হায়না মুন্নরে। দুকান্দগী অমুনবা অথোংবা চীঞ্জাক্না মচা মশু য়োক্লরে। চীং, পাৎ, তুরেল খঙদবা মীরোল থোরক্লে। তাওথবী তুমাই করিনো খঙদবা মীরোল ওইরক্লে। খূৎশেমগী তাইবঙদা তাওদুনা হিংনরুরে। মতমসিদনি য়ূমদাংবশিংনা কৈনাইখিবা। ঐখোয়না থৌওইবীদ্রবা চীং, থৌওইবীদ্রবা পাৎ তপ্না-তপ্না মাঙখিবা। ষ্টেটকী ৱেটলেন্দ ১৫৫দগী ২৩দা হন্থখি। ঈশিংনা তুঙদুনা লৈজরম্বা লম হেক্টর ৫৩,২৭০ বিল্ডিং ওফিস শাজিন্দুনা মুখৎখি। চীংদসু লাম্নৈ, তমদসু ঈচাও মায়োক্লে। ঐখোয় মশেল অশোয়বা থিদুনা চুমথোক্লসি হায়নদে চৈনরি। তৌরিবসে চফু কাইরিবনি। ক্বাক্না হরাওখিবদা ঐখোয়না কপ্পনি।

চীংদা-তমদা খুন্দারিবা য়েলহৌ ফূরুপশিংগী মরক্তা মাঙনখ্রবা থাজনবদো হঞ্জিন্নবা হোৎনবা মতম থেংখিগদৌরি। সলাই ৭ পুনবদা কনখিবা মপাঙ্গল, মণিপুর মিংথোলদা করিগী শোন্থরিবনো ইশা-ইশাদগী চ্যেক তৌনসি। পূকচেল শেংনদবদা ঐখোয়তনি মাঙনখিদৌবা। লমদি লেঙদনা লৈহৌগনি। মণিপুর মচেৎ তাবা য়ারোই হায়বসি মণিপুরী খুদিংমক্কী চীনদা পক্লবা হোৎনফম থোকই। ঐখোয় মণিপুরীনি হায়না মীতোপ্তা খঙহনবদা চাউথোকপা পোকপা মীওইশিংগী লমনি মফমসি। মীগী মমা ফজবীদা ইমা কৌবা তোক্লসি। অশেম্বা মিংথোল হায়বসি ক্বাক্তা ৱাহোংগী মতু থেৎচিনবগা পাঙ্খক্লি। লমখাংগী মিংথোল, লীচৎ পুন্না থাদোক্লবা মতম ওইরে। পুৱারীবু হনগৎনা য়েংবা হৈত্রবদি তুংলমচৎপু ঙসিগী মীরোলনা মওং মরীল নাইনা থল্লম্বা ওইথোক্তে। ঙসি খল্লিবসি হয়েংগীনি।

মালেমগী মচি-মচিদা লান থোক্লিবসি ইনাকখুনবা লৈবাকশিংগী অচৌবা বিজিনেস (লল্লোন-ইতিক) নি মখোয়না লুপা ময়াম থাদদুনা শেমগৎলুরিবা খূৎশু খূৎলায়শিংদু শীজিন্নদ্রবদি অরেম্বা ওইদুনা লৈগনি। মখোয়গী খূৎলায়শিংদো অপঙবা অশোনবা লৈবাকশিংদা পীশিন্দুনা লান শোক্লহনগনি। মদুদা খূৎলায় শাবা ঙম্বা লৈবাকশিংনা শেন্দোং য়াম্না তানগনি। শেন্দোংদা নত্তনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা হৈথোই শিংথোইবসু মালেমগী মীয়ামদা উৎনরিবনি। লান শোক্লরিবা লৈবাক অদুনা শেন্দোংনা মরেপ থুমখিগনি। মী কয়াগী থৱায় মাঙগনি। মদুবু শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা মীখা পোনগনি। মীঙোন্দগী কোইনি নিগনি। অসিগুম্বা খ্বাইদগী কান্নদবা খূৎশেমগী কেলামিটি অসি মমুৎ তানা খঙহনবা ঙম্বা এদ্যুকেশন নৎত্রগা লুচিংবা থিবা তাবনি। ঐখোয় পূন্নমক চীননা ঙাঙবদগী ৱাখল খনবনা অমুক্তং হেনসি। অফ-ফত্ত ইশানা থিসি। ঐবু মীনা ৱায়েনবা পাল্লগুমসি। থম্মোয়বুদি পুল্লিপোৎনিদা। চীন ৱারক্লদবগা, খূৎ পুনশিন্নবগা হেক তোকপদা কদাইদগী টেররিষ্ট অমনা চীংলোন মাপল লানশিল্লকপা কাইদুদি মতিকসু নত্তে। ●

# মণিপুরগী ক্রোনিক ওইরবা লায়না

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ঙসিদগী চহী ৬০/৭০গী মতমদা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অসি মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি) না চৎথোক-চৎশিন তৌবা পেসেঞ্জরশিং অমদি মাল-চাং মণিপুর ৱাংমদগী পুশিল্লকপা খুদিংমক লোয়শঙ অসিগী বস অমদি ত্রকশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকপনি। মতম অদুদা নাগা অন্দরগ্রাউন্দগী অকনবা ঈহৌ লৈবনা ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ট্রেল ফোর্স অনীনা ঙাক শেন্দুনা চৎথোক চৎশিন, মাল-চাং পুথোক পুশিন তৌরিবা থবক অদু মতম অদুদা কনভোয় হায়দুনা খঙনরম্মী। কনভোয় লাক্তদুনা গাড়ী চৎপা য়াদদুনা লৈরে, মাল-চাং পুশিল্লকপা য়াদ্রে অসিনচিংবা কয়ানি। মতমগী অহোংবা মথং-মথং লাকই, মতম অদুদদি লৈঙাক্না সিমেন্ট, সী আই সিট, চিনি কন্ট্রোল তৌরম্মী। লৈনীংই হায়দুনা কৈথেলদা ফংদবা পোৎ ওইবনা ওথোরিটি কন্সর্নগী অয়াবা লৌনরম্মী।

মতম অদুদনি ব্লেকতগী সিমেন্ট লৈবদা বোকাচান্দলা নৎত্রগা সেনাপতিগী মনুংদা লৈবা লাইরৌগী ফেক্টরিদগীরা হায়দুনা হংনবা ঙাঙনবা তাখিবনি। অসামগী বোকাচান্দ সিমেন্ট ফেক্টরিদগী পুরকপা কয়াদু লাইরৌগী মফমদা খায়দোক খায়জিন তৌবা অদুনা লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌবা বেগসু অমদি ব্লেকতা পুরকপা বেগসু অরূম্বা শুদবগী মচৎ অমা ওইরম্মী। মতম অদুগী গুন্দানা টেক্স ওইনা লৌবগী চৎনবী অসি লৈরমদে। নম্ফু হাফুন্দা পোৎ চৈ মুনবা, শেল মুনবগী মওং চত্থরম্বদু ঙসিদি য়াম্না চাউনা লম্বী অনী অসিদা দোনেশন নৎত্রগা পোৎ চৈ মুনবা, শেল মুনবা খুদিংমক অমত্তা ওইদবীদা য়াম্না চাউনা গাড়ী-গাড়ীগী সাইজ, পুরক্লিবা পোৎ-পোৎকী মমল লেপ্পা, মতম অমগী লোইপোৎ কাবা হায়দুনা লোইচনবা লমদগী মীনা লৈঙাক মপু (নিংথৌ) দা লোইপোৎ কাবা অদুগী পাঙ্খক্তা মান্ননা আইনগী ৱাংমদা লম্বী অনী ইম্ফাল-দিমাপুর অমদি ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা গাড়ী মখল খুদিংমক নৎত্রবসু শেল তানবগী মাল-চাং পুবা অমদি পেসেঞ্জর পুবা ত্রক অমদি বসশিংদগী খোল্লিবা হায়রবসু য়াবা, কিদুনা নৎত্রগা মখা তানা লল্লোন ইতিক তৌবা য়ানবগী অমদি গাড়ী থৌদুনা শেন্দাল লম্বী ওইরগা ইমুং মনুং পুরিবা হিংনবগী লম্বী ওইরিবশিংনা তঙাইফদনা গাড়ী মপু অমদি কৱবারৱালা পূন্নমক্না লোইপোৎ থিল্লিবা অসিনি।

ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসিদা ষ্টেট ২৮, নেশনল কেপিটেল ওইরিবা দেল্লী অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮গী মনুংদা মণিপুর অসি ষ্টেট ২৮গী মনুংদা অমা ওইরিবনি হায়বা অসিদি লমদম অসিগী ক্লাস টু-থ্রী তল্লিবা মহৈরোয় অমা ফাওবনা খঙলবা ৱাফম্নি। মহৌশানা মণিপুরী মহৈরোয়শিংদি ষ্টেট অমদি মাগী কেপিটেল খুদিংমক চিনফা পুই হায়বা অসিদি পূন্নমক্না খঙনরবনি। ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা ঙসিদগী চহী ৩০/৪০গী মমাঙদা মণিপুররদগীনি হায়বদা মণিপুর কদাইদা লৈবগে হংনবনা অয়াম্বনি। লাইরিক লাইশু হৈদুনা লৈরবা মীওই ফাওবনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুর খঙবীদবা কোঙ্গায়নি। ঙসিদি আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসকী মখল-মখলগী মশান্না কয়াদা লমদম অসিগী শান্নরোয় কয়ানা ইন্দিয়া মনুংগী ৱাদা নত্তনা মালেমগী শান্নবুংদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পুদুনা মায় পাকপগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপা ঙল্লকপদগী মণিপুরবু কনানো, করিনো হায়বদু মখোয় মখোয়গী কোক্তা লৈখ্রবনি। মণিপুর ইন্দিয়াগী অপীকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমনি। মীশিংসু য়ামদে, লমসু পীকই। মীওই লিশীং ২/৩ থবক পীবা ঙম্বা অচৌবা ইন্দষ্ট্রি/ফেক্টরি অমা ফাওবা লৈত্রি। মসিমক্না মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা মীয়াম মীওই খুজোক খরা নত্তনা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি। শূফম নোম্ফম লৈতবা, লৌ ইঙ্খোলসু মনা-মশিং থাদুনা মহৈ-মরোং পুথোক্লবা মফম লৈজদবা মীওই কয়াগী চাং য়াম্না ৱাংই। চীংগী শরুক্না ১২নি অদুগা তম্পাক লম্না ৮ খক্তনি। চাওখৎ থৌরাং, লল্লোন ইতিক তৌদুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা শীজিন্নদবা য়াদবা পোৎলম কয়া য়োম্থোক য়োনশিন তৌনবা হোৎনবা মতমদসু লমদম অসিগী শৌগ্রি য়ুংবগুম্না চোংখৎলক্লবা ওর্গনাইজেশনশিংনা খায়রিবা শেনখায়-থুমখায়না মীয়ামগী মখোঙ-মখূৎ খুরৌ থাংলিবনি।

কুইরে ঐখোয়গী ক্রোনিক ওইরবা নেশনল হায়ৱে অনী অসিদা নারিবা লায়না অসি। সেন্টরদা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়া অমনা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইদুনা ইন্দিয়া পূম্বগী ভার পুখ্রবনি। ঙসি মণিপুরনা থেংনরিবা পাউচে অমদি রেদিও অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা লাউরিবা নেশনল হায়ৱে অনী অসিদা সিক্যুরিটিনা ঙাক শেন্দুনা মাল পুবা গাড়ী ২০০ চঙলকখ্রে, ৩০০ চঙলকখ্রে হায়বা অসি ঙসিদগী চহী ৩০/৪০গী মমাঙদগী তাদুনা লাক্লে। নোংমা ফাওবা ৱারোইশিন থম্বা ঙমদে। লুচিংবা কয়া চৎখ্রে, কয়া অমা লাকখ্রে। ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা ইন্দিয়াগী মনুংদা লল্লোন ইতিক তৌবা, শূবা নোম্বা তৌদুনা শেন্দাল লম্বী থিদুনা হিংনবা হোৎনবা অসি সিটিজেন অমগী হকনি। খুদম ওইনা হিমাচল প্রদেশতগী তোঙান তোঙানবা লমশিংদা শেম পুদুনা ত্রক মপোৎ মপোৎ য়োল্লিবা অসিদা কনানসু অকি তুজুংবা পোকহন্দে। মসিদসু নত্তে বিহারগী আলু, তিল্হৌ ইন্দিয়া শিনবা থুংনা থাদোক্লগা শেন্দোং তাল্লি। নেশনল হায়ৱেশিংদা ষ্টেট ষ্টেটকী থিফম থোকপা টেক্স, পীফম থোকপা চে চাং পীদুনা কনাগী মফমদগী গুন্দা-দাকুগী টেক্স অমা ফাওবা পীবা নৎত্রগা থিবগী ৱাফম য়াম্না লাপ্না থৈদোক্লগা লৈ।

মী ওইনা হিংবা মতমদা শেল তান্দবা য়াদে, শূবা নোম্বা লাইরেকপা য়াদে হায়বসি পূন্নমক্না খঙই। সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীনা শাংলবা চহী ৫০/৬০ অসিদা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী মাওদগী ইম্ফাল ফাওবা, জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবগী লম্বী অসিগী য়ৈখাই থিনগাইবা কয়ামরুম থোকহন্দুনা তূম্বা চাবা মচেৎ ওইনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না শীজিন্ননবা, শেৎনবা-চানবা, অতৈ অতৈ হীরম কয়াদা চঙলিবা পোৎ খুদিংমক অহিং নুংথিল, কুম্বী কালেন, নোংজুথা কয়াগী মরক্তা মীমগীদমক থৌগল তৌরিবশিংদা শেল অদু পীয়ু, য়াদ্রগনা ফূবা চৈবা, গাড়ী মৈ থাবা, দ্রাইভর কয়া অশোক অপনদগী হেন্দোক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওখ্রবনি। মাল পুবা গাড়ী কয়া পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী মখল কয়াদগী নম্ফুন্দা লৌরিবা শেলশিং অসি শূদনা চানীংবা, ৱাদনা নুংঙাইনীংবা কয়াগীদমক বোগকী চাকথাক হুন্দুনা থল্লিবা অসিবু ঐখোয়গী সব কন্টিনেল অমা ওইরিবা ইন্দিয়ানা চহী ৫০/৬০ য়েংদুনা লৈবা অসিদি পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি। মালেমগী মনুংদা ইন্দিয়াসি দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাকনি। অফবা ওইরকপা, পূন্নমক্কী মকোক্তা লৈবা, শেল থুমগী, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী, স্পেস ৱর্ল্ডগী খুদিংমক ইন্দিয়াগী সিটিজেন অমা ওইনা পাম্মী, পাউ তাবদা হরাওরিবনি। খাদগী অৱাংদা, অৱাংদগী খাদা, খাদগী নোংপোক নোংচুপ খুদিংমক অমগা অমগা হরাওমিন্নবা নুংঙাইমিন্নবা খুদিংমক মাগী নাৎ কলচর খুদিংমক ঙাক্না ইকায় খুম্না হিংমিন্নহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। রেল গাড়ী য়ৌরবা দিমাপুরদা আলু, তিল্হৌ, সিমেন্টগী মমল কয়া পী অদুগা মণিপুর ষ্টেটকী কেপিটেল ওইরিবা ইম্ফালদা কয়া পী, কয়া খেন্নৈ, মসিগী অনেম অৱাং পূন্নমক অসি কোকহনবা ঙমদনা মীওই কয়ানা খোমখিবা, লৌখিবা শেলদু মহাজনশিংনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদগী অমুক বাকি-সিশি লাকখৎতুনা লৌখৎপা থেংনরিবা অৱাবা পূন্নমক মীয়াম্নি।

মরু ওইবা পাউ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী নেশনল হায়ৱে অমসুং নেশনল হায়ৱে ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা সিক্যুরিটিগী ঙাকশেন্দুনা থাও পুবা, সিমেন্ট পুবা, কুকিং গ্যাস পুবা, আলু-তিল্হৌ পুবা গাড়ী অদুক ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে। খরা অমসু লম্বীদা লৈরি মসিবু ইন্দিয়াগী সিটিজেন অমা ওইরিবশিংগী দেল্লী, মহারাষ্ট্র, কেরলা, টামিল নাদু, কর্ণাটকা, মধ্য প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংদা মায়োক্লবগী পাউ লৈতে। শাংলবা চহী ৫০/৬০ অসিদা মতম অমগী মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অমদি ত্রকশিংনা পুথোক পুশিন, চৎথোক-চৎশিনগী থৌদাং লৌরিঙৈদগী তাদুনা লাক্লবা কনভোয়দগী সিক্যুরিটিগী ঙাক শেন্দুনা চেকশিন থৌরাং তৌদুনা মাল পুবা গাড়ী লৌবা চৎখি অমদি পুশিল্লকখ্রে হায়বা অসি তাবা কুইমনখ্রে। মসিবু মেন পৱার মতিক চানা লৈরবা মালেমগী মমাঙদা থাক অদু য়ৌরে, চহী অদুদি থাক অদুদা লৈরগনি হায়বা লৈঙাক্না লম্বী অনী অসিদা চৎলিবা মাল পুবা গাড়ী খুদিংমক, মী তোংলিবা গাড়ী খুদিংমক মনীং তম্না কনানা কনাবুসু অকিবা ফাওদনা চৎপা ঙম্বা নুমিৎ অদু ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট লৈঙাক অনীগী মফমদগী কৈদৌঙৈ ফংগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১২গী ৱাহং

১) “লীলা ইবা হায়বসি য়াম্না মরিং মরাংবা থবক অমনি। সাহিত্যকারশিংগী মরক্তা খোঙ থাংজিনগদবসু থিয়েটরগী হৌনবীশিংনা ফিজি য়ান্দুনা লৈ।” ৱাহৈ পরেংশিং অসি শোর্ট প্লে খরগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা অইবগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু।

২) “মাদর তেরেসা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং করি কৌবগে?

৩) “শীঙেল নাচোম” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৪) “শামু মচা” হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) “ৱাংমা ৱাংমগী থম্মোয় অনী” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।